# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-11-2024)**

**কম্মিসন (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা ১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনগনি।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী-আর.কে. মনিপুরসনানা হায়-মীহুৎ কাংবু অসিনা মোইরাংদা হেক থুংবগা আই.এন.এ. হেদক্বাটরদা চংদুনা য়েংগনি। মখোয়না আই.এন.এ. ৱার ম্যুজিয়ম য়েংগনি। মোইরাং খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা মরি লৈনবা বিভাগশিংনা শেম শাবগী থবক লোয়শিল্লে অমদি সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

ডাক্তর অরবিন পানাগরিয়ানা লুচিংবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবু অসিনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, মহাক্কী মন্ত্রি-মন্দল অমদি সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা মীফম পাঙথোক্তুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শেল থুমগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**টোল্ক(এল)ঃ** কেন্দ্র সরকার, রাজ্য সরকার অমসুং য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি) গী মথক্তা নাকল অহুমগী ওইবা ত্রাইপরতাইদ টোল্ক, সেনাপতি জিলাদা থা অসিগী ১৩ দা অমুক হন্না পাঙথোল্লগনি হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা নেসনেল কেন্সর এৱারনেস নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা কেন্সরগী মতাংদা মীয়ামবু গ্যান তাহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

ফাইট কেন্সর ৱিট হোপ এন্দ হার্ট হায়বা হীরমদা কেম্প অদু মন্ত্রিপুখ্রি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, চান্দেল, উখ্রুল অমদি তেংনৌপল জিলাদা পাঙথোকখি। মদুদা খুঞ্জাশিং শরুক য়াখিবগা লোয়ননা কেন্সর লায়নাদগী করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বসিগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগা লোয়ননা মসিদগী ঙাকথোকপা হায়বসিগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। কেম্পেইন অসি অসাম রাইফলসনা লমদম অসিগী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা লৈবা  মীয়ামগী হকশেল ফগৎহন্নদবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**ট্রাইবেলঃ** কেন্দ্রগী ট্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-জ্যেল ওরামনা হায়রি-মহাক্কী মন্ত্রালয়না ট্রাইবেল জাতিশিং হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনরি।

গুৱাহাতিদা নুমিৎ ৮ নি চথগদবা পুরভোতর আদি মহোতসব হৌদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-ট্রাইবেলশিংগী য়াইফনবগীদমক মহাক্কী মন্ত্রালয়না বজেট এল্লোকেসন হেনগৎহল্লে। মহাকা হায়-হন্দক্কী চহি অসিদা ট্রাইবেলশিংবু পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগীদমক্তা লুপা কোতি অহুম মখায় হেন্না চাদিং তৌগনি। মসিগী মথক্তা ট্রাইবেলশিংনা নমা খুন্দাবা মফমশিংগী লম্বী কিলোমিটর লিশিং ২৫ শেমগৎলগনি।

ঙরাং হৌদোখিবা পুরভোতর আদি মহোতসব অসি নেসনেল ট্রাইবেল ফেষ্টিবেল অমনি। মসিনা ট্রাইবেলশিংগী কালা সংস্কৃত্তি, চিঞ্জাকা, খুৎ-শা হৈবগী পোৎথোকশিং মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবনি। কেন্দ্রগী ট্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয় অমসুং ট্রাইফেদনা পুন্না শিনবা মহোতসব অসি থা অসিগী ১৫ দা লোয়শিনগনি। মোহোতসব অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা রাজ্য ১৩ দগী লাকপা খুৎশা-হৈরবা আর্টিসিয়ানশিং, মহৌশাদগী চৎনরক্লবা নাৎ অমসুং কালা সংস্কৃতি, জগোই ঈশৈ, হিদাক লাংথকনচিংবা উৎকনি।

**ইলেক্সনঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-কেন্দ্রগী এন.দি.এ. সরকার

অমসুং মহারাস্ত্রাগী মহা যুতি সরকারনা শোত্থরবশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

মহাকা হায়-উজৱালা য়োজানাগী মখাদা রাজ্য অদুগী নুপী লাখ ৫০ রোমদা লেমা চাক থোংনবা গ্যাস পীখ্রে। মহারাস্ত্র বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা নাসিখতা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-কেন্দ্র সরকার অমসুং মহারাস্ত্রগী মহা যুতি সরকারনা লৌমীশিংগী থবক কয়ামরুম পায়খৎপগা লোয়নননা অতল সেতু, ভধভান হিথাংফম, মুম্বাই মেত্রোনচিংবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎলে।

মহারাস্ত্র অমসুং ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা রাজনিতি দলশিংগী ল্চিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা ঙমজবী থাদুনা ভোট খোল্লি। গৃহ মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি. লুচিংবা অমিত সাহনা মহারাস্ত্রগী সনগ্লি জিলাদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

ঝরখন্দগী সিমদেগাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ৱা ঙাংখি। সিট ৮১ লৈবা ঝরখন্দ বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা থা অসিগী ১৩ অমসুং ২০ দা ভোট থাদনগনি। সিট ২৮৮ লৈবা মহারাস্ত্র বিধান সভা মীখলগীনা তাঙ্কক অমখক্তদা থা অসিগী ২০ দা ভোট থাদনগনি। ভোট মশিং থা অসিগী ২৩ থিগনি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা ঙরাং মাওইষ্ট অহুম হাৎখ্রে। সি.আর.পি.এফ. কোব্রা বটালিয়ন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্ডকী অপুনবা কাংবু অমনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী বিজাপুর জিলাগী উসুর-বসাগুরা-পামেদ লমদমদা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী থিবা হুন্দ্বগী চত্থখি।

থিবা হুন্দ্বগী থবক অদুদা রেকাভয়া উমংদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদগী মাওইষ্টকী মীওই অহুমগী হকচাং

ফংখিবনি। মফম অদুদগী এস.এল.আর. অমা, স্নাইপ্পর রাইফল অমা, অতৈ রাইফল অহুম অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফংবা ঙমলে।

অমরোমদা, জম্মু কাশ্মিরগী বারামুলা জিলাগী নোর্থ কাশ্মিরগী সোপোর লমদমদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা টেরোরিষ্ট অনি হাৎখ্রে। অককবা পাউ অমা ফংবদগী জিলা অদুগী পারিপোরাদা থিবা হুন্থগী থবক চথবদা খুৎ থোক বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

**মেদিকেলঃ** কেন্দ্রগী কেমিকেল অমসুং ফরটিলাইজর মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৈবাক অসিদা মেদিকেল দিভাইজ ইন্দষ্ট্রি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা স্কিম হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী নদ্দানা হায়-স্কিম অসিনা মেদিকেল দিভাইজ ইন্দষ্ট্রিগী লমদা অওনবা অমা পুরকপগা লোয়ননা মসিগী চাউরবা শাফু লৈগনি। মহাকা হায়-ভারতপু লম অসিদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা সরকারগী প্রদক্সন লিঙ্ক ইনসেন্টিব স্কিমনা মেদিকেল দিভাইজ ইন্দষ্ট্রিগী লমদা অনৌবা লম্বী অমা য়াৎলগনি। থৌরমদুদা কেমিকেল অমসুং ফরটিলাইজরগী রাজ্য মন্ত্রি-অনুপ্রিয়া পতেল শরুক য়াখি।

**পেন্সনঃ** ইমপ্লোয়ি পেন্সন স্কিমগী মখাদা পায়খৎপা ন্যু সেন্ত্রেলাইজ পেন্সন পেমেন্ট সিষ্টেমগী চাংয়েং লোয়শিল্লক্লে হায়না কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়ানা লাউথোকখ্রে।

মহাকা হায়-ওক্তোবর থাদা জম্মু, শ্রীনগর অমসুং করনাল লমদমগী ওইনা লুপা কোতি ১১ হেনবগী পেন্সন ইমপ্লোয়ি পেন্সন স্কিমগী মখাদা মীওই লিশিং ৪৯ দা শেনফম থাদোকখ্রে। মন্ত্রিনা হায়-চাংয়েং অসি মমাং থাগী ২৯ অমসুং ৩০ দা লোয়শিনখি। অনৌবা পেন্সন সিষ্টেম অসি ইমপ্লোয়িজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসনগী হৌজিক চথরিবা আই.পি. মোদরনাইজেসন প্রোজেক্ট,

সেন্ট্রেলাইজ আই.টি. এনেবল সিষ্টেমগা পুন্না মথং চহিগী জানুৱারীদা পুন্না হৌদোক্লগনি। মসিনা ইমপ্লোয়িজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসনগী পেন্সনর লাখ ৭৮ রোমদা কান্নবা ফংহনগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবুগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং ৱারী শান্নখিবা, তোঙানবা নেসনেল ফ্লেগ কনষ্টিট্যুসন পীদ্রবদি অমুক হন্না খুৎলায় পায়রগনি হায়না এন.এস.সি.এন (আই.এম) না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসুং হান্না এম.এল.এ. অনি য়াওনা মীওই ১২ কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সি.এমনা ফাইনান্স কম্মিসনগী টিমগা ৱারী শান্নখ্রে, ষ্টেটকী শেন্মীৎলোনদা অহোংবা পুরক্কদবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অসিনা মনিপ্র ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন পাউ ওইরি। পাউ অসি মোরনিং বেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, পোকফম, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরে।

পোকফমদা-নেসনেল ফ্লেগ কন্সটিট্যুসন দিমান্দ ফংদ্রবদি অমুক হন্না খ্ৎলায় পায়রগনি-এন.এস.সি.এন (আই.এম) হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসনচিংবা পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক্তা-এক্স এম.এল.এ. অনি য়াওনা মীওই ১২ কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে, কোংগ্রেসনা এসেমব্লি ইলেক্সন ২০২৭ কী লান লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-লৈঙাকা শেমজিন শাজিনবনি হায়খ্রবা ওদিও টেপ অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা হিয়ারিং চথখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-ফোরেন এক্তরশিংনা নোর্থ ইষ্টপু থুগায়নবা কুকি গ্রুপশিংবু ধর্ম্মগী মিংদা শিজিন্নরি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-লোকেল বোদি ইলেক্সন পাঙথোকপদা থিন্থবগী মরম ইবোবীনা বি.জে.পিদা হংখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মিজোরামগী সি.এম. লালদু হোমাগী ৱাফমদা রিয়েক্সন মথং মথং হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসিগী মখাদা-ম্যান্মারগী চিন লুচিংবনা য়ামা কন্না য়ানিংদে, শেংনা খঙলবা মতুংদা থবক পায়কৎকনি-মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স হায়বা পাউশিং অসিনা সঙাই এক্সপ্রেসতা তোঙান তোঙানবা সহ হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-জিরিবামগী লানফম, য়ুম ৭ মৈ চাক্লম্লে, নুপী অমা শিরম্লে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-এসোল্ট কেসকা মরী লৈননা চিফ মিনিস্তরনা খুদক্তা থবক লৌখৎলকপগীদমক রোংমৈগী লুপশিংনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-কোংগ্রেসতা মীওই কয়া য়াওখ্রে, বি.জে.পি. সরকার দিক্তৈতরগা মান্নে হায়না ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-নেসনেল হায়ৱে থিংখিবদগী ইম্ফালদা আলু-তিলহৌগী মমল ৱাংখৎলে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতিগী খাবুং-কারোংদা সরাস মেলা চথরি হায়বা পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-সেটিলাইট ট্রান্সমিটর হাপ্লবা অমুর ফালকোন অনি তমেংলোং জিলাদগী থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।